## এডিটোরিয়েল

# থাউ পীরবসু ক্যদি লেপতে

মণিপুরদা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লিবা খ্বায়দগী হেন্না মরু ওইবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা নাগা তাবা মফম খুদিংমক্তা ইকনোমিক ব্লোকেদ চখ্তগনি হায়না মহৈরোইশিংগী লুপ অমনা লাউথোরকপগী মতাংদা হায়রিবা নেসনেল হায়ৱেশিং অসি ঙাক শেনবীনবা লৈতবদৌনা মীয়াম্না খল্লগা তঙাইফদবা পেট্রোল অমদি দিজেলনচিংবা থাওশিং ক্যদা লেপ্তুনা পেনিক বাইয়িংগী মওংদা পঙলৈদা লৈশিল্লগা থম্নবদৌনা উই। মসি গাড়ী মপুশিং অদুগী ওইনদি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবনি হায়না লৌবসু য়াই। মসিগী মরম অমনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা টুয়েব ক্লাসকী পরিক্ষা অমদি বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট একজামিনেসন ২০১৪ হায়বা য়াম্না মরুওইবা পরিক্ষা অনিসি সেদ্যুলগী মতুং ইন্না পাংথোক্কদবনা অঙাং থিন্দোক থিনজিন তৌরিঙৈদো ক্যদা লেপ্তুনা থাও লৌনবগী মতম লৈরোই খন্দুনা লৈশিনবসু ওইবা য়াই। অদুমকপু মণিপুরদা লৈরিবা মীশিং অসিগা য়েংনরুবদা য়াম্না কা হেন্না য়ামখৎলক্লিবা গাড়ী পূম্নমক অসি ক্যদা লেপ্লগা থাও লৌবা হায়বসিগী মনুংদা করম্বা ৱাখল্লোন অমা লৈরিবনো হায়বসি হংবা তাবনি। অমরোমদনা মণিপুর সরকারগী মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা অমসুং আই ও সিগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্নদি মণিপুরদা হৌজিকসু তঙাইফদবা থাওশিং অসিগী ষ্টোক মরাং কায়না লৈরি। টেঙ্কর কয়া অমসু থাও পীকথন্না হাপ্লগা মণিপুরলোমদা পুশিল্লকখ্রে। মসিগী মথক্তা থাও লৌরুনবা গাড়ীশিং অদুমক চঙশিন্নখ্রবা ঙাক্তনি। মসিমক্তা থাওগী ক্যদি অদুমক লেঙদুনা লৈনরি। মসিদা হংনিংলিবদি মণিপুর সরকারগী মরী লৈনবা কাঙবুনা করিগীদমক ক্যদা লেঙলগা থাও লৌহনগদৌরিবনো হায়বসিনি। মসিদি অমরোমদা হায়বা তারগদি চিংশিল্লক্লিবা থাউশিং অসি হুরান পোৎয়োন্দা মাংহনখিনবগী নৎত্রগা মাংহনখিবদগী মীয়ামদা উৎ চাইবা ওইনা থওইনা তৌরিব্রা হায়বা অসিনি। নোংমদা ইম্ফাল এরিয়া য়াওনা মণিপুরদা লৈরিবা গাড়ীশিংনা দরকার ওইরিবসি পেট্রোল গাড়ীগী ওইনা কিলোলিটর ৯০ রোমনি হায়রি। অদুগা দিপোটতগী থাদোকখিৎবা নোংমগী থাউ অসিনা কিলোলিটর ২৩০ রোমনি হায়না ফোংদোক্লি। দিজেল থাওদা মণিপুরগী ওইনা কঞ্জুম তৌরিবসি নোংমদা কিলোলিটর ২২০ নি হায়না মরী লৈনবশিংনা ফোংদোক্লবসু থাদোকখিবা কিলোলিটর মশিং ৩১০ নি।

অদুনদি অহেনবা থাও মরাং কায়না পেট্রোল অমদি দিজল আউটলেটশিংদা লৈরি হায়বসিনি। মরম অদুনা ষ্টোর্ক লোয়রে হায়না হেক্তমক মীয়ামদা থাও পীদবা হায়বসি পেট্রোল পম্পশিংগী অরানবা অমা ওইফম থোকই। মসিদি থাও পূম্নমক হাংহল্লগা অমদি মখোয়গী ককফম থোকপা বেঙ্ককী চলানশিং ককহল্লগা মহৌশাগুম অদুমক থাদোকফম থোকপা থাওগী চাং থাদোক্তুনা পম্প খুদিংমক হাংহনবা তাই। হংলমদবা পম্পশিংগী মথক্তা মরী লৈনা ওথোরিটিনা লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং লৌখৎনবা থৌরাং তৌবা তাই। অদুগা থৌরাং অমা লৈরে হায়বা তারগদি মীয়ামসু ক্যদা লেপ্পগী মথৌ তারোই। সরকারনা মীয়ামগা ঈ–পাউ ইফাও ফাওনদনা নৈশিন্দুনা থম্বা অসিদগী মীয়াম্নসু ফংহৌররোইদবগী মওংদা থাউ লৌহৌনবা হোৎনবনি। মসিদা অমুক ক্যদা লেপ্পগী খুদোংচবদু লৌরগা পম্পশিংনসু থাও লোয়রে হায়দুনা হেক্তমক লাউথোক্লগা লেমহৌরিবা থাওশিং অদুনা হুরান পোৎয়োনদা থাদোক্লবা হোৎনরিব্রা, মসিদা সরকারনসু অকনবা মীৎয়েং চংবা তাই। মমাংদসু নুমিৎ কয়ানি অমা ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌবদগী রেসনিংগী মওংদা থাও পম্প হোং হোংদুনা দি্জেল অমসুং পেট্রোল পীখি। মতম অদুদসু ব্লেকতদি থাও মরাং কয়ানা অদুমক ফংখি। অদুনা ব্লেকতা মতৌ করম্না থাওশিং অদু থোরক্লিবনো হায়বদু থিগৎপা তাবনি। মতম অদুদা হায়খিবা অমদি পাউ–চেশিংদা পীখিবা সজেসন অদু মরী লৈনবশিংনা লৌখিদবদগী ঙসিসু হুরান পোৎয়োনগী করবার অসি অদুমক চখরকপনি অমদি অদুমক চখদুনা লৈখিগনি হায়বসিদা থোইনা লানগনি নিংদে। মরমসিদগী তঙাই ফদবা পোৎলমশিং অসিগী মমল হেনগৎহনবা অমসুং ফংহন্দবগী খুদোংচাবা লৌনরিবা অসি লৌতুনবা মীওই কাঙলুপশিং অমগী থৌরাংনি হায়না লৌবা তাবনি। অদুগুম্বা গেঙ খুৎপু অদুদা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং অমদি পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম অসি পায়রিবা মীওইশিংগী খুৎ শোয়দনা য়াওগনি অমদি য়াওফম থোকই হায়বসিদি ইচম চম্বা মীচম অমনসু অদুমক হায়রকপা তাবনি। মরম অসিদগী হান্নগী সিষ্টেম অদু হোংদোক্লগা অনৌবা সিষ্টেম অমদা শেঞ্জা থুমজগা লোয়ননা মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং অসিগী মমল লেপ্পা অমসুং লেপ্তুনা ফংহন্নবা হোৎনবা তাবনি। মসিদা অতোপ্পা মীওইশিংদা মরাল শিবগী মহুত্তা মরী লৈনবশিংনা অকনবা এক্সন লৌদুনা ওইরিক্লিবা ফিভম অসিদগী কন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# কোচিং অমসুং হোম ট্যুসনগী খেন্নবা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মমা মপা ওইবশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিংবু অফবা মতীক চাবা মী অমমম ওইনবা কোচিং নৎত্রগা হোম ট্যুসন হায়বা থৌওং অমা নৎত্রগা অমা অদুমক শীজিন্নে। চহী খূদিংগী মমা মপা ওইবশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিংবু কোচিং সেন্টরদা থাবা নৎত্রগা ওজাশিংবু য়ূমদা লাকহনবা অনী অসিগী অমদি শোয়দনা পাঙথোক্লে। মতাং অসিদা ঐখোয়না নীংশিংগদবা ৱাফমদি অহানবদা কোচিং অসিদি স্কুল অমগা চপ মান্নে। মসিদা লাক্লিবা মহৈরোয়শিং অসি মখল মখলনি। য়াম্না হৈবসু, য়াইমরপ ওইনা হৈবসু, সুকহৈ হৈতবসু অদুম য়াওরমগনি। অদুনা কোচিংদদি অহৈবশিংনা অদুম পংহৈ হৈখিবা অদুগা খঙদবা মহৈরোয়শিংনা হংবা ইকাইবদগী লোৎশিন্দুনা চহী অদুমা লোইশিনখিবা হায়বসি চহী খূদিংগী অদুমক থোক্তুনা লৈরবা ৱাফমনি। মসিদা ঐখোয়না চিংননিংঙাই লৈতে। মসি হায় হায়দুনসু লোইনমক য়ূমদা ওজা কৌরগা তৌহন্নি হায়বদি নত্তে। ঐখোয়না হোম ট্যুসন্দা অমুক য়েংসি। মসিদা তৌরিবা মহৈরোয়শিং অসিসু অদুম মঙায় মখল খূদিংনি। অদুবু হায়রিবা ট্যুসন মতৌ অসিদদি করিগুম্বা অমা খঙনিংবা হংনিংবা লৈবা মতমদা য়াম্না ফ্রি ওইবা ঙমজে। ওজা অমদি মহৈরোয় অদুগী চান্নবা ওজা অমা খনবগী তাঞ্জা অমসু ফংই। কোচিংসিসু কান্নবা ফংদবদি নত্তে। অরোয়বদা হায়জনিংবা অমনা হোম ট্যুসনবু তৌরগসু কোচিংবু থাবীরগসু অহানবদা অঙাংদুগী মওং মতৌ খঙদোকপা মথৌ তাই।

*অদোমগী*
*টি সঞ্জয় সিংহ*
*চিংমৈরোং*

সনামীরেনগী রাখল

# নুংশিবনা হায়বগা



পুয়া মৈ থাখি হায়বা য়াওবদগী ঐখোয়গী ৱাখল্লোনদা নুংঙাইতবা পোক্তুনা লৈরিঙৈদা মৈ থাখিদে হায়বা কাংবু অমা থোরকই। কুইরগদি লানবা চুম্বা লৈতনা পংহায় হায়নবা য়াই। পুয়া মৈ থাখিবগী নিংশিং নুমিৎ পালন তৌরিঙৈদা কনাগুম্বা খরনা পুয়া মৈ থাখিদে হায়রকপদা খঙদবা ঐখোয়দি ইঙাওদা ঙাওই। খঙদবনা ঙাওবসি খঙবদগী অখঙ অহৈ ময়াম অমনা ঐখোয়বু ঙাওহনবসি অপংববু অশিংবনা শান্নবা মওং অমনি। পুয়া মৈ থাখি হায়বা চুল্লগসু থাখিদে হায়বসু চুম্বা মানবা অদুম য়াওই। মানবা হায়রিবসি অচুম্বা হায়বদুমদি খঙদবনিনা খঙদবা ময়াম মরক্তা মখোয় খরনা ৱাহনবসি ঐখোয়বু নুংশিব্রা নত্রগা নুংশিদব্রা হায়বসিমদি খন্দবা য়াদে। তোল্লবা মনাইসি য়েন্দেম ফাওবা চাবদা লেংই। ময়াম্না খ্বাইদগী হাওই হায়রিবা য়েন্দেমগা হৱাই মুকসোরিগা থোংবসি চাবা ফাওবদা লেংবা ফাওরিবনি। অঙাং ওইরিঙৈদো ইমা ইপানা শেন্নদদুনা পনবদা হঙ্গোইবা ফাওরিবা করিনোদু চাবদগী লেঙইবনি হায়বসি হেক তারুবদা নুংঙাইতবদি ফাওই। নুঙাইত্রবসু খঙদবনিনা তুমিন্না লৈবা মশানা তাবনি। য়েন্দেম চাবদা লেংবসি ওজা নন্দোনদি ঈগা চান্নদুনা লেংবনি হায়, অদুগা সলামগী মাম্মা ইবোহলনদি ইমা ইপানা শেন্নদদুনা লেংবনি হায়। অনিমকসি ঐনা য়েন্দেম চাবদা লেংবগী মরম নৈনবা ঙাক্তনি। পুন্সিনিনা হিংবদা মীগী মতেং লৌদবা য়াদবা মতাংদা ওজা নন্দোগা মাম্মা ইবোহলগা অনিমক্তা অৱা অনা পাউদমলুবদা থম্মোই শোক্লা ৱাখিবদি ওজা নন্দোনি। মানা ৱাবসি ঐনা য়েন্দেম চাবদা লেংবা ফাওবা য়াওনা ৱাই। মখোয় অনিমক ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদু লোয়নখিবা মীদি অমত্তা নত্তে।

নৈনবনিনা মাগী মাগী অনিংবা ফোঙদোক্লবনি। দিল্লিদা অৱাং নোংপোক ভারতকী ইচা ইচলশিংদা হেক ঙম্বমখে ফরক তাবসি ফিজেৎ চাকচা, মখোয়গী মওং মতৌ অদুনা ঙমহনবনি হায়বা ৱাসি মাম্মা ইবোহলনা হায়বা ৱানি। ওজা নন্দোনা হায়বাদদি, ঐখোয়সি ভারতগী মপুং ওইবা কাংলুপকা শক চু মান্নদবগী মখোয়না হন্থনা য়েংবনি হায়। অনিমকসি ইচুম চুল্লবসু নুংশিনা হায়বা ৱাগা নুংশিবা শারগা হায়বা ৱাগা খেন্নবা অমা লৈবসি থম্মোয়দা অদুম ফাওবা অমনি। ঐখোয়গী ইচা ইনাওশিংনা দিল্লিদা মীনা য়েংবা নুংঙাইতবা ফুরিৎ ফিরোল শেৎ চাবদা মখোয়না হুই হৌদোংদৌনা উরবদি দিল্লিদা লৈবা মীশিংসি সমুদ্রা মপালদা চৎলবদি থৱাই পান্দবা, ৱাখল য়াওদবা মী মানবা মীগুম্না শাহিং চাগে হায়দুনা তান্নরুবদা মথ্বাই মাঙ্গদবনি। দিল্লি ভারতগী কোনুংনি। কোনুং হায়বসি মীথোই মীহেল্লবা মীশিংগী লৈফমনি। অদুগুম্বা মফমদুদা নুপী উবা য়াদবা, শক চু মান্নদবা জাতিদা য়েংলিবা মীৎয়েংসিগী হায়রুরবদি ভারতগী কোনুং দিল্লি নত্তবা মফম অমদা হোংদোকপনা ঐখোয়গী লেমজনফম ওইগনি। নিউয়োর্কপু পঞ্জাবকী কোনুং ওইহনবীয়ু হায়দুনা ছাত্রা অমনা ময়ুমদা হল্লক্লগা লাই খুরুম্বদা মপানা করিগীদমক পঞ্জাবকী কোনুং হোংদোকহন্নিংলিবনো হায়রুবদা ছাত্রদুনা মহাক্কী পরিক্ষ্যাগী পাখুম চেদা পঞ্জাবকী কোনুং নিউয়োর্কনি হায়না ইরম্লে হায়বদু ইচম চম্বা ফাগী ওইরবসু দিল্লিনা খঙফম থোকই। খঙদবা মশেল হায়নবদা ঐনা য়েন্দেম চাবদা লেংলিবসি অঙাং ওইরিঙৈদা করি করিনো চাবদগী লেংলিবনি হায়বা কাংবুগা, ঈদা চান্নদদুনা লেংলিবনি হায়বা কাংবুগা অনি থোক্লবসু কনানা ঐবু নুংশিবগে হায়বসিমদি থম্মোয়দা ফাওবা ৱানি। ঐবু অঙাং ওইরিঙৈদা শেন্নবীরক্তবা মতৌ অমা উৎলিবসি নুংশিবা মাল্লগসু নুংশিবদি নত্তে। পুয়া মৈ থাখিদে হায়রিবসি থাহন্নিংদবদগী হায়বা ওইরবসু পুয়াবু নুংশিবা ৱাহৈ অমা য়াওদ্রিবসি মখোয়গী ময়ুমদা পুয়াগী লাইরিক ময়াম পৈদুনা লৈরমগদবা মাল্লি। মখোয়গী য়ুমদা লৈরিবা পুয়াগী লাইরিকশিংদু পুথোরক্লবদি মৈ থাখিদে হায়বসি মীয়াম পুম্বনা য়াগনি। অদুদি হেক নত্তবদা মানগদবা ৱাহৈ খরা হায়রগা অপংবা মীয়াম্থু ৱাহনবদি মীয়াম্থু নুংশিবা নত্তে হায়বসি মথন্তা খনবদা চুমগদবা ৱানি। য়েৎনগেবু হায়রবদি ঐনা য়েন্দেম চাবদা লেংলিবসি অঙাং ওইরিঙৈদা করি করিনো চাখি হায়বগা, ঈদা চান্নদদনা লেংবনি হায়বগা অনিসি য়েৎনরকপদা ঐগী পুন্সিবু ঐনা নুংশিবনিনা ঈদা চান্নদবনি হায়বসিনা হেন্না তান্নিংই। ঐবু নুংশিবা মীনদি ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা করি করিনো চারকপদগী লেংলিবনি হায়বসি মচিনমক্লা পাক হেক হায়বা ঙম্লোই। পুয়া মৈ থাখিদে হায়দুনা মচিনমক্লা হেক হায়রিবসি পুয়াবু নুংশিরবদি পাক হেক হায়বা ঙমগদবা ৱাহৈ নত্তে। য়েৎনবগী হায়রুরবদি পুয়া মৈ থাখিদে হায়রিবা মীওইশিংসি মপাবুদি মশক খঙলবসু মমাবুদি মশক খঙননবা হোৎনবদা মতম খরা চংগনি। ৱাহৈসি কনমল্লবসু থম্মোয়দা হায়নিংবদুমা হায়বনিনা লাল্লবসু থম্মোয়না লানগদবনি। নুংশিরগা চৈবদি কোন্দুনা কপনিংই। নুংশিদনা কৌবদি মনাক্তগী লাপ্না চেন্নিংই হায়বদু পুয়া মৈ থাবগী মতাংদসু থম্মোয়দা ফাওরকপনিনা মৈ থাখিদে হায়বা কাংবুদুনা মণিপুরগী লুচিংবা ওইরবসু মচা ওইনা লৈবদি ৱাগদৌরি। হেক লোইশিল্লকপদা ঐখোয়না ৱাজবদি মীনা ঐখোয়বু হন্থনা খনখিগদ্রা হায়বা ৱাখননিনা ঐখোয় খুদিংমক্লা ৱাগদবদি ঐনা ৱাজরিবসি ওইরবদি নুংঙাইজগনি।

# খূৎতা থাউমৈ লালটেন পায়বী

*(মমাং নিংথৌকাবাগী মখা...)*

লাইনিং শঙ অসিদা ইংনা চিক্লা পূক্লিং তংদু–লৈতানা পুন্সিগী অরুবা তাঙ্কক্কী মথেল কয়ামরুমগী মহৈ। লৌশিং চাওরাক্লা চহী অমা মখায়রোম তমদুনা হৌখ্রবগী মতুং পূক্লিং অমসুং লৈজরিবা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা তোল্ল–তারবা মীশিংগী য়াইফ থৌরাং তৌনিংবগী ৱাখল তুং ইন্না কখোকপনা মাঙওইনরগা লম্বোইবী অমগুম নাইটিঙ্গল ময়ুমদা মমা–মপাগী মনাক্তা হল্লকখি। হৌজিক মহাক্লা তুংগীদমক খর খন্দুনা অৱাংবা থাক্কী শাগৈশিংগী খুন্নাইগী মমাঙদা মখোয়গী তাইওন্নবা ৱাখল অরানবনি খঙজবা ঙম্নবা করম্বা থবক অসি উৎনবগীদমক্তা মহাক্লা মখোয়শিং অসিদগী তোপ্পা লৈরগা লণ্ডন অমদি এডিনবর্গগী লায়েংশঙশিংদা মতম খরা কেন্সরবর্গ লাইনিং শঙলেন্দগী নর্সগী মরমদা তম্লকপা মহৈনা অনানবা ফিজোল অমগুম উহনখি। অমুক থা খরা পেরিসদা চৎলগা নর্সিং তম্ফমশঙশিংদগী মসিগী মরমদা অরু–অরুবা মীগী নুংঙাইনবগী থবক করম্না তৌরগা পেনগনি হায়বগী শিন্থা তম্লুই। জুলাই ১৮৫৩ ইংদা মহাক পেরিসদগী লণ্ডন হল্লক্তুনা মহাক মশামক্লা মীগী য়াইফ থৌরাং থৌরম লৌখৎনগী পান্দম মখা পোন্না মসিগা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুটসন অমদা য়াওখি। লণ্ডনগী অপিকপা কাচিন অমদা লৈবা ইন্সটিট্যুটসন খুন্নাই অসিদা অনেম–অৱাং খাইদোকপা পাম্বা অৱাংবা থাক্কী মীওইশিংনা মখোয়গী অপাম্বদা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরম্বনি, অদুমকপু নাইটিঙ্গল চংখিবগা খঙহৌদনা মিত্রংগুম ওল্লকখি।

মসিগী মমাঙদা মীয়ামগীদমক্তা থল্লিবা হান্নগী ফিভম লায়েংশঙ নত্তে হায়বদি শা–ঙা ককফমগা থোইনা হেন্না খেন্নবা লৈরমদে। মসিদা লৈরম্লিবা দাক্তরশিং লোয়ননা নর্সশিং অসি মহাক মশাগী অশেংবা শক লোৎপা থম্মোয় পান্দবা মী মখল অমনি। নর্স অয়াম্বনা য়ু থকই অমসুং লমচৎ কাম্বা থবক্তা থোইনা হেন্না ইকাই খঙদবী লমচৎ নাইদবী ঙাক্তনি অমসুং মসিগী শিনফমদা শেল অসুক্কী তাল্লি। অমরোমদা হায়রগনা য়ূমগী মীনাইনুবী ওইদুনা চোপ্লা শেল তানবগুম অমসুং লৌমীনা লৌবূক্তা মফি–মরোল মোৎনা থবক শুবগুম্না নর্সশিংনা ফমুংদা নাদুনা হিপ্তুনা লৈরিবা অনাবশিংদগীসু হেন্না মোৎলি। শুপচিন্না য়েংবা মীৎয়েংদা লায়েংশঙ অমসুং নর্সশিংগী পুন্সি তুক্কচনিংঙাইনি হায়বদা কাইরোই। লণ্ডনগী অপিকপা ইন্সটিট্যুটসন অসিদা য়াওশিল্লগা নাইটিঙ্গলনা মসিগী শোকচিল্লবা ফিভম শেংদোক্লবা হোৎননিংবগী মশক ওইরবা অকিবা অসিবু মহাক্লা তমজদুনা ফংলকপা লৌশিংনা তশেংনা খঙবা ঙল্লকই মদুদি অয়ো নাহেদুনা লৈরবা মীশিংগীদমক নুংঙাইনা পোখানবগীদমক্তনা থোইদোক হেন্দোক্লা পাক চাওবা লমগী থবক ঙম্বা হায়বা তারবদি নর্স খক্তনা থোইদোক্লা অওইবা চপ–চাবী মথৌ মহৌশাগী ওইবদগী হেন্দোক্লা মথৌনা পুথোকপা ঙমই। অনাবশিংগী নুংঙাইহন্নবগী অহানবা তৌগদবা থবক্তি প্রিন্সিপালনা লেপ্পি। মদুদি তঙাইফদনা তরু–তনানহনবা তাবা, মান্নদবা মীৎয়েংগী মসিগা মরি থাংনবা থৌওং–থৌদৌ পূম্নমক শেংদোকপগী মথক্তা অশেংবা নুংশিৎ ফংহন্নবগীদমক মিহুৎথোংশিং হাংদোকপা। মতম অদুগী অনা লায়েংশঙ পূম্নমক্তা মসিগুম্বগী থৌরাংগী মমি লৈতে অমসুং থৌরাং পায়খৎনবগী খন্নবসু উদে। মসিগুম্বা মখলগী হান্না লৈরম্লিবা ফিভম পূম্নমক পুমনৌ নৌনা শেমদোক্লিংবগী নাইটিঙ্গলগী ৱাখল্লোন অসি মালেম পূম্বগী লায়েং তাইবংদা অনৌবা য়াওল অমনা মালেম পূম্বদা শীন–থুংনা পুমনিল নীলহনখি। মসিগী থৌশিল পূম্নমক ইন্সটিট্যুটসন অসিদা খোঙজেল য়াঙনা মাঙদা লেপ্তনা চেনশিল্লকখি। থবক অসি হৌবা থা তরুক মপূং ফাবাত্রিঙৈ মনুংদা ইন্সটিট্যুটসন অসিনা শিঞ্জ–লাংজবা অনাবশিং নুংঙাইনা থম্বীনবগী থবক খুত্তৌ অসি অচৌ–অচৌবা মফমশিংদগী শকখঙনবা হৌরকখি। লৈবাক মীয়াম্না থোইনা শকখঙবীরমদ্রবা পীশক পীকপা লৈরক মচা অমদগী থোরক্লগা হার্লে স্ট্রীটকুম্বা ইকাই খুন্নরবা মফম অমদা য়ৌবা ঙল্লকখি। হার্লে স্ট্রীট য়ৌরকপা ঙম্বা হায়বসি নর্সিং থবক থৌওংগী লমদা হান্না চৎনরম্বা লোনচৎশিং অদুবু পুম্নৌ নৌনা তোঙানবা মীৎয়েং থল্লগা মীয়ামগী ৱাখল থকহনবা ঙম্বা অমসুং পূক্লিং পেলহনবা ঙম্বা শীম্থোং শিল্লম অসিমক্তগী পাঙ্গলনা ঙল্লক্লিবনি হায়বসিমদি ককপা য়াররোইদবা য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি অমসুং মসিগী তাঙ্কক য়ৌবা ঙল্লক্কনি হায়বসিমসু নাইটিঙ্গল মশামক্লসু খল্লুবা ৱাখল অমা ওইনসু তৌখিদে।

> মালেমগী অঙকপা থৌদোকশিং
> ইবোপিশক লুৱাং

অগষ্ট ১৮৫৪দা ফ্লোরেন্স নাইটিঙ্গলগী খূৎতা লণ্ডনগী মালেম শীন–থুংনা মমিং চৎলবা কিংস মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালদা নর্স সুপরিটেন্দেন্টগী ফম লাম্থোকখি। মসি ইংলেন্দগী পুৱারিদা ইহান হানবা থৌদোক্লি। মসিগী থা অমগী মতুং হায়বদি সেপ্টেম্বর ১৮৫৪দা ক্রিমিয়াগী লাল হৌরকখি। রোমন কেথোলিক অমদি থাইনগী মপা মপূশিংনা চৎনরম্বা মদুবু পামজবা য়ুনানশিংগী মরক্তা যেরুশলমগী শেংলবা মফম অসিবু মখোয় মখোয়গী লম ওইনা মপু শানিংবগী অচৌবা লান অমগী ফিভমদা লাকখি। মসিদগী লানফম অসিদা ইংলেন্দ নুমিৎ তরানি অৱাবা খুদোংথিবা মায়োক্লবা তাখি। মসিগী পাউ অসি 'দ টাইমস'গী লানগী পাউমীশিংনা লান অসিগী ওইরিবা ফিভমশিংগী মরমদা পাউদমদুনা ফোংলকই–নুমিৎ খূদিংগী লানফমদা শোক্লবা বৃটিশ লান্মীশিংগীদমক হিদাক–লাংথক তৌবীনবা লোয়ননা বেন্দেজ পুনবীনবগীদমক্তসু। পূম্নমক অসিগী মথক্তা খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবদি অৱাবা তারবা মখোয়শিং অসিনা ৱাকৎচবদা তাবীনবা কনাগুম্বা মথক থোংবা অচৌবা অমতসু লৈতে। ফোংলক্লিবা পাউদম অসি লৈবাক মনুং মপান ফাওনা পাক শন্না শন্দোক্লকখি। পাউ অসিবু তারিবা মীপুম তিংনা কন্না চৈনরকখি। অতাবা মী পূম্নমক্কী ৱাখলদা ফ্লোরেন্স নাইটিঙ্গল মাইকৈরোমদা থবক অসিগীদমক থাজবা থম্নরকখি।

মসিগুম্বগী তাঙ্কক অসি য়ৌরক্লবদা খঙহৌদনা খঙনিং নিংশিংবা অমনা নাইটিঙ্গলগী ৱাখলদা মতম অমদা মাঙোন্দা থাজবা পীখিবা সিদনি হর্বর্ত নিংশিংলকই। হায়রিবা মতম অসি হর্বর্ত ইংলেন্দগী দিফেন্স সেক্রেটরি ওইরি, হর্বর্তগী খূথাংদা সরকারগী মায়কৈদগী থবক অসিগীদমক নাইটিঙ্গলগী মফমদা নোঞ্জরকখি। অৱাফমদা তারবা লান্মীশিংগী ফিভম ফগৎহনবদা নহাক্কী কখোকপগী ৱাখল অদুখক্তনা মায় পাকপা ঙমগনি অমসুং নেসন অসিগীসু য়াম্না চাউথোক্লা শ্বর হোনবা ঙমজবগী তাঞ্জা অদু পীনবীরগনি।

থবক অসিগীদমক নাইটিঙ্গল ওক্টোবর ২১–১৮৫৪ সুপরিন্টেদেন্টে ফিমেল 'নর্সিং স্বয়ং সেবী'গী খূৎপু অমগা লোয়ননা লানফমগী অচৌবা পোৎলম অমগী থৌদাং লৌখি। মহাক্লা মফম অসিদা হেক থুংবগা থবক হৌবগী পূং ২৪ ফাওবগী মতম হৌখিদ্রি, লানগী পাউমীশিংনা মখোয় মখোয়গী পাউচেদা নাইটিঙ্গল অমদি মহাক্কী লোইনবীশিংনা পাঙথোক্লিবা থৌদাং য়েংলগা মসিগী মতিক চাবা খূদম চাংদম শন্দোক্লা পীনদুনা ফোংনরকখি। মসিমক্তনা নাইটিঙ্গলগী মতিক ময়াই খংৱাং ৱাংলকখি অমসুং মহাক্লা নেসনগী লুচিংবী অমা ওইনা লৈবাক মীয়াম্না শকখঙনরকখি। *(মথং মথং....)*

# স্বামী বিবেকানন্দগী মীৎয়েংদা নুপীশিংনা মিকপ থোকপা অমসুং নুপীশিংনা চাওখৎলকপা

*(মমাঙ থাংজগী মখা....)*

স্বামীজিনা অসিগুম্বা পামজরম্বা অমসুং ৱাজরম্বা অদু হৌজিক্তি অশেংবা মওং খরদি মংফাওনরে। ঙসিদি নুপীগী চাওখৎলকপা অসিগী মরমদা পূম্নমক্লা মপূং ফানা চিংননিংঙাই ওইদ্রে। নুপীগী পুন্সিদা লৈরম্বা অমম্বা মায়কৈ পূম্বা কায়খিদুনা মশক উদ্রে। নুপীশিং ঙসিদি কোনুংগী জেলদা লৈবা বন্দি ওইদ্রে, মখোয় ঙসিদি শুপ্নগী ইমুং–মনুং পুবী নুপীগী মশক ওইনা উনদ্রে। ঙসিগী নুপীশিং অসি মখোয়গী মথৌ অসি য়ূম ইঙ্খোল থাদোক্তুনা মপান য়ৌনা শন্দোরক্লে। মফম খূদিংদা নুপীশিং অসি অসুম অসুম মশিং য়ামখৎলক্লে। ঈশিংদা, কংফান্দা, অতিয়াদা ঙসিগী নুপীশিং অসি নুপাশিংগা মান্ননা চঙশিল্লক্লে। মহৈ মশিংদা, লল্লোন–ইতিক্তা বিজ্ঞানগী থিজিনবদা, অনা–লায়েংবদা, রাজনীতিদা, অর্থনীতিদা, লৈবাক ঙাকপদা, ৱায়েল থৌদাদা, কাব্য–নাটকতা, খুৎশা হৈবদা, হীরম খূদিংমক্তা শূবা নোম্বদা অমসুং তলবতা নুপাশিংগা শরুক য়ামিন্নবা ঙম্লে। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক্কী অমসুং জাতিগী ঈজ্জৎ হেনগৎলক্লে। অদুগা নপীশিংসু তোঙান–তোঙানবা মওংদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লে। অদুগা নুপীশিং অসি লাইরিক হৈবী, মরল মথুমদা মনীং তমজবা ঙম্মী অমসুং মপূক্লিংগী থোঙনাও হাংদোকচদুনা মপূং ফাবা মী হায়বদু ওইরে। অদুবু নুপী খরনা মনীং মখা তম্বীগী মিংদা নাপন কাবা, মীরমগী মতৌ তম্বা পাম্বীমখে লম থোরক্লে হায়বসিসু অচুম্বনি। মীওইবা মতৌগী ঙমখৈদগী হেন্দোক্তনা চৎপা য়াদে হায়বসিসু চেকশিন্না খঙবা তাই। নুপীশিং অসিনা ঙসি শেল থুমদা মদোম লেপচবা ঙম্লে, অদুবু অশেংবা (মক্ত্রবা) অমসুং মীওইবা মতৌ অসিবু ঙাক্তবা ঙমদ্রবদি নুপী য়কাইরে অমসুং নুপী চাওখৎলে হায়বা অসি অর্থ লৈখিগদ্রা?

> ডাঃ সগোলশেম কুলচন্দ্র সিংহ

নুপীশিংনা চাওখৎলকপা অসি নুপীগী চেঞ্জগদৌবা মগুনশিং অদু থাদোক্লগা নুপীশিংগী মায়োক্তা মুক্লগদৌরিবা নত্তে। নুপীনা মশাগী লাইবক শেমজনবগী অধিকার করিগী পীগদৌরিবনো? নুপীগী খনাওদা অসিগুম্বা যন্ত্রগী খোঞ্জেল অসিনা ঐখোয়বু অঙকপা পী।

অদুবু হায়নিংলিবদি নুপীশিং অসুক্কী মতিক তৌবা ঙল্লবা ফাওবদা মখোয়না পামজরম্বা নীংখা তম্বগী মহাও অদুদি ঙসি ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি। মখোয়না ঙসিসু অতোপ্পা করি হায়রক্কদগে হায়বা খঙ্থনা পুন্সি লেনবা তারি। ঐখোয়গী লৈবাক্কী নুপীশিংসি কয়াদা লাইবক থীরিবা? মরম অসিনা ভারতকী নুপীশিংবু য়কাইহনবগী মরু ওইবা ঈচেল অদু চেহ্বরক্লবগীদমক্তা স্বামীজিনা নোংচুপকী লৈবাকশিংবু জয় তৌরুবগী মহৈ (পোখোক) ওইনা মিস মার্গরেট নোবেলবু পুরকখিবনি। ভারত তুমদুনা লৈরিবা কল্লবা পাঙ্গল অসিবু হৌদোক্লবগীদমক অমসুং মখোয়গী মহৈ–মশিং পীননবা অমদি চাওখৎনবগীদমক মার্গরেট নিবেদিতা (কখোক্লবী) হায়না মিংথোল ওন্থোকখি। অদুনা অমেরিকাদগী স্বামীজিনা 'গৌরি মা'গী মরমদা ইরকখি– Where is Gouri Ma? That noble and stirring spirit! অসুম্না চাম্মা–চাম্মগী গৌরি ইমা দরকার ওই। মখোয় চাম্ম–চাম্মগী জ্যান্ত জগদম্বা পুথোক্লবা। অদুগা নুপীশিং অসিনা অকনবা পোকপী অমসুং সমাজগী য়াইফনবগীদমক নিবেদিতা (কখোক্লবী) অমসুং মখোয় অনীমক্লা জগৎ অসিবু মথক মখা ওনগদৌরিবনি।

স্বামীজিনা ফিদমনিংঙাই ওইবী নুপীগী শক্তম থিজবদা শ্রীশ্রীমা সরদা দেবী নুপী ওইবীশিংগী মগুনশিংগী পুনশিল্লবা শক্তমনি। অসিনবু মহাক্লা অসি অরিবা যুগকী অরোইবা মীহুৎনা নৎত্রগা অনৌবা পুন্সিগী পাউ পুৱারি হায়বা ৱাহং অমা স্বামীজি মরম থোক্লকই। মহাক্তি অনীমকনি। অদুমনবু স্বামীজিনা হায়রমই– "শ্রীমাবু ময়াইদা থল্লগা ভারতকী নুপীশিং য়াইকাইহনবগী লৌশিং পীবা ওইগদৌরিবনি। শ্রীশ্রীমাদি মায়কৈ অমদনা সীতা, অরুন্ধতিগুম, মপুরোইববু থৱায়মকনি খঙবা, মায়কৈ অমদনা দ্রৌপদি অমসুং সাবিত্রিগুম মথৌনা লৈবী, অমুকসু গাগী মৈত্রেয়ীগুম, ব্রহ্মগী জ্ঞান লৈরব্রী (Vedantise)নি। চাওরবা মৈরী, মৈরী অদুনা চাকপা, অশাবা ফাওদবা ঙমখৈ লৈতবা শান্তি অমসুং মঙাল থোকপা মৈরী অদুদগী থোরকপা মঙাল অদুতনা নুপীনা য়াকাইরকপগী অশেংবা মঙালনি।" অদুগা শ্রীশ্রীমানা ফিদম অদু মশাগী পুন্সিদা উৎখি।

অরোইবদা হায়নিংলিবদি, ঙসিগী নুপীশিংগী মাঙদা মহৈ তম্বী মখল খূদিংগী থোঙজাও হাংদুনা লৈরে। মখোয়না মখল খূদিংগী নীংতম্বা ফংলি। অদুবু থাঙ্গৈমক হেক শেংনা পৃথিবীগী মফম খূদিংদা নুপীশিং অসি য়াকাইরব্রা? অদুনা হৌজিকসু নুপীশিং অসিনা লম্বী থিজরি। লম্বী অদু থিবদা ওইথোকপা য়ারিবসি মখোয়না শ্রীশ্রীমাবু ময়াইদা থমজরগা স্বামীজিগী ফিদমনা মশাগী পুন্সি শেমজরুবা মতমদা ফংগনি। *(লোয়রবা)*

*কর্সিং সোভনিয়র, ২২ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার, ২০১৩*